# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-১২-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কেন্দ্রগী মাইনোরিটি এফিয়র্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনা হায়রি-অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু অশোই অঙাম থোক্তনবা দেল্লিদা থল্লিবা পুলিসকী অখন্নবা য়ুনিট অসিগুমা অতৈ রাজ্যশিংদসু থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

২) কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রালয়না চহী অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম চাউখৎনবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎখি।

**অমসুং**

৩) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

----

**রিজিজ্ঃ** কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়র্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়রি-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংবু অশোই অঙাম থোক্তনবা অমসুং ঙাকশেন্নবগীদমক দেল্লিদা থল্লিবা পুলিসকী অখন্নবা য়ুনিট অসিগুমা অতৈ রাজ্যশিংদসু থন্বগী তঙাইফদবা লৈ। উট্টরাখন্দগী দেহরাদুনদা হন্দক্তা ত্রিপুরাদগী মহৈরোই অমা মফম অদুগী মীয়ামা এত্তেক্ট তৌরকখিবগী থৌদোক অমসুং মদুগী মতুং তারকপদা মহৈরোই অদু লৈখিদবগী থৌওং অদুদা মন্ত্রিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি । মহাকা হায়- অসিগুম্বা এত্তেক্ট অসিনা সমাজ অসিগী মীংচৎ থিহনবতা নত্তনা খুদোংথিনিঙাই ওই। মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা উট্টরাখন্দ সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা মদুদা চেন্নবা মীওই ৫ ফারে।

**দোনরঃ** কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রালয়না চহী অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম চাউখৎনবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎখি। মন্ত্রালয় অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা রিসর্চ, ইন্নোভেসন অমসুং স্কিল দেভপমেন্ট য়োকখৎনবা পান্দমদা আই.আই.টি গুৱাহাতিদা লূপা কোতি ২২ চংনা নোর্থ ইষ্ট সাইন্স এন্দ টেকোলোজি ক্লষ্টর শানবা শেনফম কাইথোকখি। নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমদা ৱাগী পোথোক হেন্না চাউখৎহন্নবা পান্দমদা লূপা কোতি ২৩০ চংনা পায়খৎকদবা বেম্বু সেক্তর প্রোজেক্ট ২৫ গী শেনফম কাইথোকখি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিদা বেম্বু ভেল্যু চেইন দেভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পায়খত্তুনা স্কিল দেভলপমেন্ট য়াওনা শেন্থোক লন্বী হেনগৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎখি। চহী অসিগী নবেম্বরদা অস্তালক্সমি দর্সন-য়ুথ এগচেঞ্জ হৌদোক্তুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মী অমগা মী অমগী মরী ফগৎহনবা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতিবু মীয়ামদা খঙহন্নবা থৌরাং পায়খৎখি। মসিগী মথক্তা রাইজিং নোর্থ ইষ্ট হনভেষ্টর সম্মিট নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখি। মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা লন্নাই

ইনভেষ্টর অমসুং পব্লিক সেক্তর য়ুনিটশিংনা লূপা কোতি লাক্ষ ৪ লিশিং ৪০ হেন্না থাদনবা অয়াবা পীখি।

**সোলরঃ** ভারত্তা নুংশাগী মৈশাদগী মৈ লৌবগী কেপাসিতি চহী অসিগী নবেম্বরদা গিগাৱাট ১৩০ হেনখ্রে। কেন্দ্রগী নিউ এন্দ রিনিউয়েবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না হায়-কুমসি চহী অসিদা নুংশাগী মৈশাদগী ইনর্জি লৌবগী কেপাসিতি অসি মমাঙ চহীগা য়েংনবদা চাদা ৪১ হেনগৎলে। মন্ত্রালয়না হায়-চহী অসিদা স্কিম ফোর দেভলপমেন্ট ওফ সোলর পার্ক অমসুং অলত্রা মেগা সোলর পৱর প্রোজেক্টকী মখাদা মেগাৱাট লিশিং ৩ হেন্না পুথোকপা ঙম্বা সোলর পার্কশিং হৌদোকখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়রি-ঙসি তামেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং উখ্রুল জিলাগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থারবা য়াই। হায়রিবা ফিভম অসি চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, ককচিং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ডখ্রুল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেনাপতি জিলাদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদসু অহোংবা লৈরোই।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম খরদা ঙসি অয়ুক পুং ৭ ফাওবদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৮ রোম ওইখি। নুংশা থোক্তবনা অয়ুক অঙনবদা ইংবগী চাং ৱাংখি।

**ইমোইনু(এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং ধর্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা নুমিৎ অসিদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্কনি। ইমোইনু নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা ঙাগী মেলা পাঙথোক্কনি। কুম অমগা মনা মশিং ইমোইনু

ইমাদা কৎনবগীদমক ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়ামা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মনা মশিং- মহৈ মরোং লৈবা লাকখি।

অমরোমদা, মণিপুর নাগালেন্দ অমসুং অসামদা খুন্দারিবা জেলিয়াংলোং ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ গানঙাই পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দবগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই অহুম ফারে।

কাংপোকপী জিলাগী লাংখোঙ চীংশাংদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং অমদি খাঙপোকশঙ কয়া মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক-জি.ফাইভকী এক্তিভ কেদর নুপী অমা অমসুং নুপা অমা পুন্না মীওই অনি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ফাখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তনা থৌবাল জিলাগী নেসনেল হাইৱে-১০২ গী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল গেট মনাক্তগী প্রিপাক(প্রো)গী এক্তিভ কেদর অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং এন.সি.বিগী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী লাংখোঙ চীংশাংদা লম একর ৩৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। অপুনবা কাংবু অসিনা পোপী পান্বীশিং থাবদা শিজিন্নবা খাঙপোকশঙ ১২, হার বেগ ১৩, নাপী হিদাকশিং, থুম বেগ ১৬, স্প্রে পম্প অমসুং পাইপনচিংবশিং মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি।

**এন.সি.দি.সি (এল)ঃ** মণিপুরদা লৈরিবা এফ.পি.ও য়াওনা প্রাইমারি কোওপরেতিভ সোসাইতিশিংদা ইং ২০২৫ গী ওইনা নেসনেল কোওপরেতিভ দেভলপমেন্ট কোরপোরেসন(এন.সি.দি.সি) রিজনেল এৱার্দ

ফোর কোওপরেতিভ এক্সলেন্স এন্দ মেরিট ঙসি য়েন্থোক্লগনি। ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কোওপরেতিভ সোসাইতিগী রেজিস্ত্রার দব্লিয়ু.ইবোহল সিংহনা মনা অদু খূৎশিন্নগনি।

**চিঙা (এল) ঃ** ৮৭ শুবা চিঙা সেসন নিংশিংবা থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ওবজার্ভেসন কম্মিতিনা শিন্দুনা ঙসি শিংজমৈ চিঙামথক্তা লৈবা সি.আর.ৱাই.দি.এগী হোলদা পাঙথোক্কনি।

**সনাজাওবা (এল) ঃ** প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবগী ৮০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শিন্দুনা ১৪ শুবা ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়েল লেকচর ২০২৫ ঙসি পাঙথোক্লগনি। মেমোরিয়েল লেকচর অসি ত্রষ্ট অসিনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোক্কনি। লেকচর অসিগী হীরমা কন্সটিট্যুসনেল গভর্ণমেন্ট এন্দ দ মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭-এ রিত্রোসপেক্সন হায়বসিনা ওইরি।

**গোয়ল ঃ** কেন্দ্রগী লল্লোন ঈতিক অমসুং উদ্যোগ মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- লাক্লিবা জনুৱারি ১ দগী ভারতকী পোৎলমশিং ওষ্ট্রেলিয়াদা থাদোকপদা টেক্স অমত্তা লৌররোই। মহাকা হায়- মসিনা শিন্মীদা য়ুম্ফম ওইবা উদ্যোগশিংদা অনৌবা খুদোংচাবা অমা পীরগনি। ইন্দিয়া-ওষ্ট্রেলিয়া ইকোনোমিক কোওপরেসন এন্দ ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী অহুমসুবা কুমওনদা শ্রী গোয়লনা হায়- য়ান্নরিবা অসিনা লৈবাক অদুদা ভারতকী পোৎ চৈ য়োনবগী চাং হেনগৎহল্লে। হেন্না মনুং য়ৌশিন্না লৈবাক অদুগী কৈথেলদা চংবা ঙমহল্লে।

**এসবিআই ঃ** ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)গী রিপোর্ট অমনা

হায়রি ভিক্সিত ভারত জি রাম জি এক্টনা রাজ্য অয়ান্বদা লুপা কোতি লিশিং ১৭ শোইদনা কান্নহল্লগনি। মসি হৌখিবা চহি ৭ তা চাংচৎতা কাইথোকখিবা শেনফম অদুগা য়েংনবদনি। এক্ট অসিনা চহি ২০ শুরবা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি এক্ট ২০০৫ গী মহুৎ শিল্লে। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিছার্স রিপোর্ট অমনা হায়- এক্ট অসিনা রাজ্যশিংদা ফন্দ য়েন্থোকপগী চাং হেনগৎহল্লগনি। রিপোর্ট অদুনা হায়- হান্নগী এম.জি-নরেগাবু ভিক্সিত ভারত জি রাম জি ফ্রেমৱার্ককী খুত্থাংদা অমুক হন্না শেমদোকপা অসিনা অপুনবা থবক থৌওংশিং মওং হোংদোকবা পান্দম থল্লি। মপুং ওইবা মীৎয়েংদি প্রোজেক্টশিং মশক খঙদোকপা, মহয় চাগদবা মচাক মথুম শেমগৎপা, আই লাকপগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং থবক য়েংশিনবগী পান্থে হেন্না ফগৎহনবা অসিনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নরিবা অঙাং লিশিং ২৫ রোম অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিং মায়োকরি হায়বা এম.সি.পি.পি.আরগী রিপোর্ট, মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমিৎ নিংশিংগী পাউ অমসুং ইলেক্ত্রিক স্মার্ট মিতরগী মতাংদা কঞ্জুমরশিংনা পাক শন্না ৱাকৎ লাকপগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, হুইয়েন লানপাউ, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক অমসুং মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে, হন্দোকবা তাই, ৱারি শান্নবা তাই হায়বা এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা অঙাং লিশিং ২৫ রোম অৱা চৈফু নংলি হায়বা কন্মিসনগী ৱাফমা- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর পব্লিক সর্ভিস কন্মিসননা থোকখিবা রিক্রুইটমেন্ট নোটিসকী মতাংদা মশক নাইবা অমদি থবক্তগী পোত্থাখ্রবশিংনা ৱাহং কয়া হংনরকপগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী বেনর হেদলাইন তৌরি।

সরকারগী থৌশিল নাতৈ চাদবনা মণিপুরগী বেম্বু ইন্দষ্ট্রি মুখৎপগা চপ মান্নরে হায়বা পাউনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফেব্রুৱারি ১৩ ফাওবদা লৈঙাক শেমদ্রবদি জম্মু কাশ্মিরগী ফিভম তারোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না এম.এল.এ খোঙবান্তাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ইবুধৌ থাংজিংগী লাইফম্লেনদা য়ুংশিল্লিবা খৃষ্টান ক্রোস লৌথোকহন্নবা গভর্ণরদা অমুক হন্না তকশিনহনখ্রে হায়বা পাউ- পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মণিপুর মেল পাউচেদসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ইলেক্ত্রিক স্মার্ট মিতরগী মতাংদা কঞ্জুমরশিংনা পাক শন্না ৱাকৎ লাকপগী পাউ-পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমিৎকী নিংশিং পালন পাঙথোকখিবা,

থৌরমদুদা এম.এল.এ ৬০ না পুনশিন্দুনা ষ্টেট অসি অমুক্তং কনলম্মু হায়না নুপী সমাজকী মাইকৈদগী ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাকা দিসেম্বর ফাওবদা আই.দি.পিশিং হোংজিলহন্দ্রবা অমসুং অথুবা মতমদা নেসনেল হাইৱেদা ফ্রি মুভমেন্ট তৌহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং পরেং চংশিল্লক্কদৌরি হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাউগী বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

২০২৬ কী সেন্সসদা মণিপুর য়াওরবদি অকিবা ফংনা অহোংবা লাক্কনি হায়বা পাউ অমদি পুয়া লোৎশিন্দুনা থমগদবা নত্তে হায়বসিনা- সনালৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**